# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.124 | ইরাই, ইঙেন থানিল, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, July 27, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


এগজামগী ফল লাউথোক্তবগী মায়োক্তা চথরম্বা কোলেজ থিংবগী খোঙজং হন্দোক্লে হায়না জোইন্ট কোলেজ ষ্টুদেন্টস ফোরম্না লাউথোকপা



লামায় ১

অঙকপা মওং অমদা হৈথরকপা নোংনা মরম ওইরগা ঈকং থোক্লম্বা সৈজাং অমসুং মসিগা থংনবা খুলশিংদা খঙহৌদনা ঈচাও থোকপগী শক্তম



লামায় ৩

থাঙ-তাগী ওজা হাপ্তবগী মায়োক্তা কিমাক্কী ভলন্টিয়রশিংনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা এদ্যুকেসন (এস)কী ওফিসতা প্রোটেষ্ট তৌবগী শক্তম



লামায় ৩

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী থিংবা খুনৌ খুলদা মথোং-মরম খঙদবা লায়না অমা শন্দো-রক্তুনা খুল অসিদা লোইবা ষণ/ইরোই ১৯ শিরগা তাদুনা লৈবগী শক্তম



লামায় ২

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৪.৩৮

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৫.৮৩

## নাগালেন্দগী গাড়ী চঙলকপা থিংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : লমখৈগী ৱাথোক্লা মরম ওইরগা ঙসি নাগালেন্দদগী চঙলকপা মখল খূদিংমক্কী গাড়ীশিং অসাম ফাওদুনা চৎপা থিংখ্রে। টুলি আমগুরি অসামগী শরুক অমনি হায়রদুনা মফম অদুদা পুলিস ফোর্স থম্লনবা হোৎনরুবদা নাগালেন্দগী মীয়াম হৌরক্তুনা ঙরাং অথিংবা পীখি। অথিংবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি অসাম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মৈ থারোই

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ : কৈশাম্পাৎ মচিন, মেসিগী মনাক্তা কে ভি এ দি টি আর ২৫০ ইন্সতোল তৌবগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা ৩৩/১১ কে ভি কৈশাম্পাৎ সব-ষ্টেসন ১১ কে ভি ইন্টর্ন ফীদর অনীগী কঞ্জুমর পুন্নমক্তা মৈ থারোই হায়না এম এস পি দি সী এলনা খঙহল্লক্লি। কৈশামপাৎতগী ৱাহেংবম লৈকাই অমসুং বিজয় গোবিন্দ, তেরা অমুদোন ফাওবদা লৈরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩২.৬৪ °C | ২২.৭৫ °C |
| চান্দেল | ৩৩.১৮ °C | ১৮.৯৪ °C |
| সীসীপুর | ৩১.৯১ °C | ২১.১৬ °C |
| ইম্ফাল | ৩৩.৫৫ °C | ২২.৪৫ °C |
| সেনাপতি | ৩৪.৭ °C | ১৭.৯৯ °C |
| তমেংলোং | ৩৪.৭৬ °C | ১৯.০৫ °C |
| থৌবাল | ৩১.৯৯ °C | ২১.৫৬ °C |
| উখ্রুল | ২৪.৬১ °C | ১৭.২৯ °C |
| মণিপুর | ৩৪.৭৬ °C | ১৭.২৯ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১২.৬৬ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪০

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.496880 |
| US Dollar | 68.661492 |
| British Pound | 90.536189 |
| Australian Dollar | 50.946928 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.126159 |
| Japanese Yen | 0.619418 |
| Malaysian Ringgit | 16.903369 |
| Norwegian Krone | 8.433079 |
| Singapore Dollar | 50.466753 |
| South Korean Won | 0.061331 |
| Swedish Krona | 7.832381 |
| Turkish Lira | 14.276101 |
| Myanmar Kyat | 0.04736 |
| Bangladesh Taka | 0.81308 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30620.32 |
| Mumbai | – | Rs 31529.41 |
| Delhi | – | Rs 31229.95 |
| Kolkata | – | Rs 31508.02 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## HL POLL

**Q :** Manipur da bandh, general strike touraga centre na eikhoigi wakatsing tabigani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Boundary Pillar yengshinba lakkhiba Centregi teamna meeyamgi apamba thabakta onthorakkadra?

Yes 13% No 87%

## অস! লোইরেহে!





# অমুকো, য়ু সী এম অমসুং সী সী এস কেগী খোঙজং লাউথোকখ্রে

# ওগষ্ট ১ দা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): এন এস সী এন (আই-এম)গী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম নৎত্রগা ঙমখৈদা মীপাইবা য়াবা থৌওংশিং চথহল্লকপা য়ারোই হায়বা পাউজেল অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীবা ওইনা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমসুং কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক (সী সী এস কে)না চঙশিনগদবা খোঙজংশিং লাউথোকখ্রে।

ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা খোঙজংশিং লাউথোক্লদুনা হায়খি, থা অসিগী ২৮ দা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা সীট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ৩১গী অহিং নোংয়াইদগী ওগষ্ট ১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পূম্না পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি অমসুং ওগষ্ট ১৮ দা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী চহী ২০ লোম শুজিল্লক্লবা পিছ টোকক্কী ৱারোইশিনগী মতাংদা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিদা পীখৎলকখিবা রিপোর্টতা য়াওরিবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (এ)গী প্রোভিজনশিং মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতসু চৎনহন্নবা শিনগনি হায়খিবা অদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা অকিবা ফাওহল্লে। লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা কাঙলুপ অমদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা লাল্লোং শিল্লগসু অতোপ্পা কাঙলুপ অমদা নুংনাংবা, অকিবা পীরি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অসিগুম্বা থৌশিলশিং অসিনা অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিংবু তোখায়না য়েংবা, কাঙলুপ অমবু য়োকখৎলগা কাঙলুপ অমবুনা শাউহনবগী থৌশিল চথরি। মসিনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন অমা পুরক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুর থুগায়গে হায়বগী মওংদা চঙশিল্লকপা থৌশিলনি হায়না লৌই। মরম অদুনা পুরক্কদৌরিবা ৱারোইশিন অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী ৱাংমদা ৱারেপ লৌবা নৎত্রগা থৌশিল অমা চথরকপা তারগদি মদুগী মায়োক্তা লৈগনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা খোঙজংশিং অসি চঙশিনগদৌরিবনি। লূপশিং অসিনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজংশিং অসিদা মণিপুরবু নুংশিবা, মণিপুরবু কনবা পাম্বা মীয়াম্না শরুক য়াবীদুনা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা সী সী এস কেগী ভাইস প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হায়, চঙশিনগদৌরিবা খোঙজংশিং অসিগী মরুওইবা পান্দমদি তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ কয়ানা পূল্লগা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিবু থুগায়নবা হোৎনরকপা কনাগুম্বগী ৱাখল্লোন অদুবু নমথেল্লগা অপূনবগী শক্তমদা চঙশিনমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন অদুনি। কাঙলুপ কয়া পূন্না খুন্দামিন্নদুনা অপূনবগী শক্তম অমদা লেপ্পি হায়বদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মমাংদা উৎমিন্নসি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খিবদা, লাউথোকখ্রিবা খোঙজংশিং অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭





# আই দব্লিয়ু এফ : সঞ্জীতাগী দোপ টেষ্টতা অশোয়বা লৈখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদ্দরেসন (আই দব্লিয়ু এফ)না সঞ্জীতা চনুগী দোপ কেসতা সেম্পল নম্বরদা অশোয়বা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট সঞ্জীতা চনুনা মপুং ফাবা ইনক্বাইরি অমা চথগদবনি হায়না তকশিনখ্রে। আই দব্লিয়ু এফ নেসনল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (নাদা)দা থারকখিবা চেরোল অমদা য়ুরিন সেম্পলগী নম্বর ২ পল্লকখি হায়রি।

মতৌ করম্না অশোইবা লৈখ্রিবনো হায়বদু খঙদোক্নবা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথবিয়ু হায়না সঞ্জীতা চনুনা আই দব্লিয়ু এফতা অইবা চেরোল অমা থাখ্রে। এজেন্সিগী পাউনা হায়, মে ১৫ দা আই দব্লিয়ূ এফনা সঞ্জীতাদা দোপ টেষ্টকী রিজল্ট খঙহল্লকপা মতমদা সেম্পলগী কোদ নম্বর ১৫৯৯০০০ নি হায়না ফোঙদোরল্লগা অকোনবদা সেম্পলগী কোদ নম্বর ১৫৯৯১৭৬ নি হায়না অমুক ফোঙদোরকখি। হায়রিবা সেম্পল অদু মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৭ তা লাস ভেগাসতা লৌখিবনি হায়রি।

ৱাথোক অসি প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস য়ৌবদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নাদাদা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রবা মতুংদা আই দব্লিয়ু এফনা অশোইবা লৈখ্রে হায়বা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। অদুমওইনমক আই দব্লিয়ূ এফকী ৱাফম অসিনা দোপ্পিংগী ৱাথোক অসিদা করিগুম্বা মখলগী ইথিল অমত্তা পীবা ঙম্লোইদোরি। সঞ্জীতানা ইন্টরনেসনল ৱেটলিফটিং ফেদরেসনগী হীয়ারিংদা এন্টি দোপিং রুল ঙাক্না চৎখিদবগা মরী লৈননা মশাগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোকপগী মথৌ তাখিগনি হায়না নাদানা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা খঙহল্লকখি। নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৌখিবা সঞ্জীতাগী য়ুরিন সেম্পলদা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ শীজিন্নবগী খুদম ফংলে হায়বগীদমক শান্নরোয় অসি মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমদুনা অথোই-অহেন তান্নবদা শরুক য়াহনখিদবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী পাউখুমদা নাদানা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর ১৮ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লাস ভেগাসতা পাঙথোকপা কম্পিটিসন মনুংদা সঞ্জীতাগী য়ুরিন সেম্পল লৌখিবনি। সেম্পলগী কোদ নম্বরনা ১৫৯৯০০০ নি। দিসেম্বর ২০ দা লেবোরেটরিগী রিপোর্ট পীরকখি। য়ু এস এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিনা রিপোর্ট অদু সঞ্জীতা মশামক, আই দব্লিয়ূ এফ অমদি ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিদা কোপি অমমম থাদুনা খঙহনখি। মে ১৫ দা আই দব্লিয়ু এফনা সেম্পল কোদ নম্বর ১৫৯৯০০০ দা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম য়াওরে হায়না সঞ্জীতা অমসুং ইন্দিয়ন ফেদরেসন্দা খঙহল্লকখি। সঞ্জীতা মশাদা থারকখিবা নোটিফিকেসনদনা সেম্পলগী কোদ নম্বর ১৫৯৯১৭৬ নি হায়না ফোঙদোরকখি। নাদানা থারকখিবা ঈ-মেলগী পাউখুমদা আই দব্লিয়ু এফনা সেম্পলগী কোদ নম্বরদা শোয়নবা লৈরে হায়না শেংদোরকখি।

মালেমগী থাক্তা লৈরিবা ফেদরেসন্না মতৌ করম্না অশুক চাউবা মওংদা অশোয়বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪



## ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী য়েৎনবা লৈতে : রিজিজু

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী মরক্তা ঙমখৈগী য়েৎনবা ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যেরস কিরেন রিজিজুনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডো. থোকচোম মৈন্যনা পার্লিয়ামেন্টতা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ, মরু ওইনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী ঙমখৈ পরিংদা য়েৎনবা নৎত্রগা লৈখায় তান্নদবা লৈব্রা? হীরম অসিগী মতাংদা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকা য়াশিন্নবা পুরক্লবা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবগে হায়না হংখিবা অন-ষ্টার ক্বেসন নম্বর ১০৪৯ গী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী মরক্তা ঙমখৈগী ওইবা য়েৎনবা অমসুং য়ানদবা অমত্তা লৈতে। ঙমখৈগী শরুক খরদা দিমার্কেসন তৌগদবা ৱাৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারনা ফোরেন ওফিস কন্সলটেসন, নেসনল লেভেল মীটিং, জোইন্ট বাওন্দরি ৱার্কিং গ্রুপ, সেক্তরেল লেভেল মীটিং অমদি সর্ভে দিপার্টমেন্টকী মীফম চাংনাইনা পাঙথোক্তুনা ঙমখৈগী মতাংদা তোইনা ৱারী শান্নরি।

## কোলেজশিং থিংজিল্লম্বগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী শীন্দোক্লনবা খোঙজংনা মরম ওইরদুনা কোলেজ মহৈরোয়শিংগী সিমেষ্টর এগজামশিং হায়দোকপীদ্রে হায়দুনা কোলেজশিং থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা অদু এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামগা উনদুনা ৱারী শানরবা তুংদা য়ানবা অমগী মখাদা হন্দোকখ্রে।

দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী কমপ্লেক্সতা পাউমীশিংগা উনবদা জোইন্ট কোলেজ ষ্টুদেন্ট ফোরমগী কনভিনর অরাম্বম ভিকাশনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী এগজাম মতম চানা হায়দোকপীদবগী মতাংদা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামগা উনখি। হায়দোক্তনা লৈরিবা সিমেষ্টরশিংগী এগজাম ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী খোঙজং অসি হয়েংদগী হন্দোক্লগনি।

অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর এ পি পান্দে নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি। করিগুম্বা লৌথোক্তগাদি মুসুগী খোঙজং শৌগত্তুনা মহৈরোয়শিংনা হেন্না কনবা খোঙজং অমুক চথগনি হায়রি।

# অপূনবগী শক্তম ঙাকমিন্নসি : চীফ মিনিষ্টর





ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ খূদিংমক্কী মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা ষ্টেট অসিগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাকমিন্নসি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কিট হোলদা পাঙথোকখিবা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ খূদিংমক্না লমদমসিগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম ঙাকমিন্নদুনা লাক্লিবনি। কাঙলূপশিংগী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা অমত্তা ওইবগী শক্তম অসি ঙাকমিন্নসি। কাঙলুপ অমগী থৱায় নুংঙাইরোইদবা ৱাহৈশিং ঙাংবা কয়া অমসু থোরক্লি। ষ্টেট লৈঙাক্কী টিম সেন্টরদা চৎতুনা মণিপুরগী লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী অপূনবগী শক্তমদা কায়হন্দনবা তকশিনখিবসু লৈ। কনাগুম্বা খরনা কাঙলূপশিংগী সেন্টিমেন্ট শোকপা য়াবা মওং কয়া শাগৎপসু য়াওরি।

ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫






HL-P/5105/17/07-16/08



ফংঙ ঌ ফঙ্ঌ মা সাতি তামৈমা চিঙমঙমস৪

## নুংশিজরবা ইরৈচাশিং থোইদোক হেন্দোক্লা ক্বাথা খুলগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল, অহল-লমনশিংগী মফমদা North East India Development Party (NEIDP) না থাগৎপা ফোঙদোকচবা

লমদম অসিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈবীরিবা লৈঙাকপশিংনা কদায় ফাওবা থম্মোয় শেংনা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী য়েংলগা তুংকোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক্তা করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎপীখিবা লৈখ্রবগে হায়বসি অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবদা তশেংনা খূৎ থেকপা য়াবা অমফাওবা য়াওখিদ্রি হায়না লমদমসিগী লৈহাওদগী ময়োল চোংলকপা Political Party অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামগী মফমদা থমজরি। হৌজিক লমদমসিদা থোক্লিবা লৈবাক্কী মরুওইবা ৱাথোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা Border Pillar 81 Manipur অমদি Myanmar অনীগী ঙমখৈগী ৱাথোক অসি য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইবা অমনি মরমদি Manipur না India গী ফিবান্নুংদা তিনখিবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা লমগী ঙমখৈ মাঙবগী ৱাথোকশিং Mainland India গী লুচিংবশিংনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা হায়বসি লমদম অসিগী ঐখোয়গী লৈজরম্বা ঙমখৈবু অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্বু উশিৎ থওইবীদবনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। Kabow Valley Myanmar দা পীথোকখিবগী মৈচাক কোকত্রিঙৈদা অমুক হন্না Myanmar বু থেম্নবা শিল্লকপা থৌশিল থৌরাং, লমদম অসিগী মীয়াম্না করি ৱাখল ফাওরমগনি হায়বসি ৱাখল খন্তদবা লৈঙাক্কী লীচৎনি অমদি মপী-মপা অমা ওইবগী ৱাখল নত্তে। ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিংনা থৌনা ফনা কনাগীসু মীখা পোন্দনা থন্বীরম্বা ইরমদম অমদি লমগী ঙমখৈবু Myanmar Govt. থেম্নবগী শিনবা মানবা থৌশিল থৌরাংনা মহৌশাগী লৈজরম্বশিং মাঙলকপা তারবদি লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক অদু অফবা ওইরোই হায়না মীয়ামগী মফমদা থমজরি। হায়রিবা Boundary issue অসিগা মরী লৈননা July গী তাং ২৫ দা Central Government কী মীহুৎ কাঙবু অমা লাক্লগা পাঙথোকখিবা Boundary Pillar য়েংবা চৎপগী খোঙচৎ অদুমক য়াম্না থাক হন্থবা মখলগী Politics নি হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম পূম্নমক্লা খঙলবা ৱাফমনি। Boundary Pillar Verification নৎত্রগা Survey তৌবা লাকপা নত্তে মখোয়দি শুপ্নতগী মীয়ামগী Sentiment খঙদোকপা অমসুং লম কোইবা লাকপনি হায়না North East India Development Party (NEIDP) না থমজরি। তশেংনা হায়রবদা Mainland India গী লুচিংবশিংনা অমদি লমদম অসিগী লৈঙাকপশিংনা খঙবীগদবা ৱাফমদি ওইরোইদবা থবক্তা মীয়ামদা উৎ চাইবীগনু মদুনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা তারবদি লৈঙাক্কী দাইত্য ওইবীগদবনি। Central Team না July ২৫ দা ক্বাথা খুলদা লৈবা Border Pillar 81 য়েংবা লাকখিবদু মীয়ামদা উৎ চাইবনি। মখোয়না ওইরোইদবা ৱারোলশিং ফোঙদোরকখিবা মতমদা ক্বাথা খুলগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিংনা অশেংবা Border Pillar য়ুংলম্বা মফম ফাওবা চৎসি হায়বদা য়াখিদবা অমদি অচুম্বা অশেংবা পুথোকপগী মহুত্তা মমিংখক্কী ওইনা য়ৌরকপগী মওংদু উবদা খোইশাওনরবা খুলগী নুপীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদি লেপখিবা ফিরেপ অদুমক ঐখোয়গী ইপা-ইপূশিংনা পীবীরম্বা থৌনা-লিংজেল অদুগী চপ চাবা খূদমনি অমদি ঐখোয়গী লমগী ঙমখৈ মাঙহনবা য়ারোই হায়বগী চপ চাবা ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা তাকপনি।

মরম অসিনা ইরমদমগী ঙমখৈগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা থৱায় থাবা ফাওবা পাম্মুদনা লেপ্পীরিবা নুংশিজরবা ইরৈচাশিং থোইদোক হেন্দোক্লা ক্বাথা খুলগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল, অহল-লমন খ্বাই পূম্নমকপু North East India Development Party (NEIDP) না কোক নোম্না ইকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইপা-ইপূশিংগী ঈগী ঈখেংগা লোয়ননা শেমগৎতুনা অমদি ঙাক্তুনা থন্বীরম্বা ঈগী লমদম ইরমদম অমদি খোইরেল-মীরেল পূন্না তামিন্নদুনা হৌমিন-চামিন্নরক্লিবা য়েলহৌমী খ্বাই পূম্নমক্কীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লাক্কদৌরিবা শীংনবা খূদিংমকপু থৱায় থাবা ফাওবা পাম্মুদনা মায়োক্লদুনা ঈগী লৈবাক কনগনি হায়বা লৈবাক মীয়ামগী মফমদা থমজরি। অরোইবদা Manipur গী লমগী ঙমখৈ পুৱারীগী লীক্লমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবগী মনুংদা শম্না-মফৈ অমা মাঙবা হায়বসি India লৈঙাক্লা মশানা পায়রিবা শীংজংনা মশাগী মখোঙদা য়ান্থৎচবনি হায়বদি মশানা মশাবু কায়নবা শীনবনি হায়না লৌরোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়বদু Manipur লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা খঙবীদুনা পূক্লিং লৌশিং ওইবীদুনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থাংলকপা খোঙথাং খূদিংমক্তা North East India Development Party (NEIDP) না চৈশু ওইজগনি।

*থাগৎ ৱারোল পীজরিবা,*

**President**
**North East India Development Party (NEIDP)**
**CWC**

HL-P/5139/127